ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯱꯲, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯳꯱꯲ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

য়ূমশকৈশা, ফেব্রুৱারী ১২, ২০২০, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ৩১২শুবা মশীং

# মীয়াম্বু লান্না লমজিংবা এদভর্টিজমেন্ট

## সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং পান্দম ফংগদৌরিবরা

যুনিয়ন হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়র মিনিষ্ট্রিনা দ্রগস এন্দ মেজিক রেমিদিজ (ওবজেক্সনেবল এদভর্টিজমেন্ট এক্ট, ১৯৫৪ শেমদোক্লগা মীয়াম্বু অরানবা মওংদা থাজহন্নবা এদভর্টিজমেন্ট তৌবা মীওইশিং চৈরাক ফংহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদৌরি। দ্রাফ্ট এমেন্দমেন্ট অসিগী মতুং ইন্না কুচু ঙৌথোকহল্লি, ফিনুংগী হকচাং মপাঙ্গল কলহল্লি, পোক হৌবা ফহল্লি অমসুং মতম শাংনা নহা ওইনা লৈহল্লি হায়বনচিংবা তোঙান-তোঙানবা পোৎলমশিংগী এদভর্টিজমেন্ট তৌদুনা মীয়াম্বু লান্না থাজহনবা মীওইশিং চহী ৫ ফাওবা জেলদা থম্বগা লোয়ননা লুপা লাখ ৫০ ফাওবা ফাইন থীহনগদৌরি। মীয়ামদা লান্না থাজহন্দুনা ইরায়-লায়না ফহনবা ঙম্মী হায়না এদভর্টাইজ তৌবা য়াহল্লোইদবা লায়না অমসুং দিসওর্দর মখল ৭৮ লোম দ্রাফ্ট এমেন্দমেন্ট অসিদা য়াওরি। খূদম ওইনা হায়রবদা সেক্স্যুয়ল পর্ফোমেন্স, ইম্পোটেন্স, প্রিমেচিওর ইজ্যাকুলেসন, স্পর্মাটোরিয়া, কুচু ঙৌথোকহনবা, নহা ওইথোকহনবা, এইদস, ফিনুংগী হকচাং চাউবা হেনগৎহনবা, থাগী খোঙকাপ চাং নাইদবা অমসুং নীংশিংবগী পাঙ্গল হেনগৎহনবগী মতাংদা এদভর্টিজমেন্ট তৌবা য়াহল্লোইদৌরি। কনাগুম্বনা অরানবা মওংদা এদভর্টিজমেন্ট তৌদুনা মীয়াম্বু লান্না থাজহন্নবা থৌরাং লৌখৎলক্লবদি এমেন্দমেন্ট অসিগী মতুং ইন্না অহানবদা লাখ ১০ ফাইন থীহনবগা লোয়ননা চহী অনী ফাওবা জেলদা থমগদৌরি। হীরম অসিগী মতাংদা অনীরকশুবা ওইনা কনভিক্সন ফংলবদি চহী ৫ ফাওবা জেলদা থম্বগা লোয়ননা লুপা লাখ ৫০ ফাওবা ফাইন থীহনবা য়াই হায়রি। দ্রাফ্ট এমেন্দমেন্ট অসিগী মতাংদা যুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রনা মীয়াম অমসুং ষ্টেকহোল্ডরশিংদগী কম্মেন্ট, সজেসন অমদি ওবজেক্সন কৌখি। করিগুম্বা এমেন্দমেন্ট বিল অসি পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌরগা এক্ট ওইনা চৎনরক্লবদি মীয়াম্বু লান্না থাজহনগদবা মওংদা রেদিও, টেলিভিজন অমদি পাউচেদা এদভর্টিজমেন্ট তৌবা য়াররোই। অদুম ওইনমক মশানা-মশাবু তাইবং মপূগী মতীক-ময়াই চেল্লি হায়জবা মীওই কয়া মরাং কায়না লৈবা লমদম অসিদা এমেন্দমেন্ট বিল অসিনা স্পিরিচ্যুয়ল গুরুশিং অমদি অয়ুর্বেদিক দোক্টরশিং চৈরাক পীবা ঙমগদৌরিবরা হায়বদু অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি।

এমেন্দমেন্ট বিল অসিনা অরানবা মওংদা এদভর্টিজমেন্ট তৌবা অমসুং মীয়াম্বু লান্না থাজহনবগী থৌওং মপূং ফানা থিংবা ঙমগদৌরিবরা হায়বদুসু খন্ননিংঙাই ওইরক্লে। ইন্দিয়াদা শীজিন্নরিবা তোঙান-তোঙানবা পোৎলমশিংগা মরী লৈননা মীয়াম্বু লান্না থাজহনগদবা মওংদা এদভর্টিজমেন্ট তৌবগী মওং অমা ময়েক শেংনা উবা ফংলি। খূদম ওইনা হায়রবদা মায় তৈনবা ক্রিম অমগী এদভর্টিজমেন্ট তৌবা মতমদা পোৎলম অদুবু পুথোক্লিবা কম্পনিনা মশক নাইবা ফিল্মষ্টার নৎত্রগা সেলিব্রিটি অমা শীজিন্নরি। লোয়ননা পোৎলম অদু শীজিন্নরবদি ফিল্মষ্টার নৎত্রগা সেলিব্রিটি অদুগা চপ মান্নবা মওংদা কুচু ঙৌথোকহন্দুনা মশক ফজহনগনি হায়না মীয়াম্বু অরানবা মওংদা থাজহন্নবা হোৎনরি। কুচু মুবী নুপী অমবু থবক্কী ইন্টরভিয়ুদা খন্দবা অমসুং মীয়াম্না তিন্ননিংদবগী মওং উৎলগা কুচু ঙৌবী নুপীশিংবু থবক্কী ইন্টরভিয়ুদা খনবা অমসুং মীয়াম্না তিন্নগদবগী কোয়তান তান্নবগী মওং উৎপা এদভর্টিজমেন্ট কয়াসু লৈরি। মীওই খূদিংমক কুচু ঙৌহন্নিংই অমসুং শক ফজহন্নিংই হায়বা খঙবদগী পোত্থোক পুথোক্লিবা কম্পনিশিং অমসুং এদভর্টিজমেন্ট তৌরিবা কাঙবুনা খূদোংচাবা লৌখিবনি হায়বা য়াই। কন্সটিট্যুসনদা ফ্রীদম ওফ স্পীচ এন্দ এক্সপ্রেসনবু মীপূম খূদিংমক্কী ফন্দামেন্টেল রাইটনি হায়না ময়েক শেংনা য়াওরি। অদুবু হীরম খূদিংমক্তা অকক্লবা পনখে অমা লৈবগুম ফন্দামেন্টেল রাইটতসু রেষ্ট্রিক্সন খরা লৈ হায়বা কাউথোকপগী মওংদা তোঙান-তোঙানবা পোৎলম পুথোক্লিবা কম্পনিশিংনা "ফ্রীদম ওফ স্পীচ এন্দ এক্সপ্রেসন"বু অরানবা মওংদা শীজিন্নবগুম তৌরি। এদভর্টিজমেন্ট তৌবগী থৌওং য়েংশিন্নবা রেগুলেটরি এজেন্সী কয়া মাঙজৌননা লৈরবসু মীয়াম্না ৱাকৎতবগীরা নৎত্রগা ওথোরিটিশিংনা মীৎয়েং চঙবা ৱাৎপদগীরা অরানবা মওংদা মীয়াম্বু লান্না থাজহনগদবা এদভর্টিজমেন্ট তৌবা মপূং ফানা থিংবা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। এদভর্টিজমেন্ট পূন্নমক য়েংশিন্নবগী মতাংদা এদভর্টাইজিং ষ্টেন্দর্দস কাউন্সিল ওফ ইন্দিয়া; ইন্দিয়ন ব্রোদকাষ্টিং ফাউন্দেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং কন্টেন্ট কমপ্লেন্ট কাউন্সিল; টেলিকোম রেগ্যুলেটরি ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া; ন্যুজ ব্রোদকাষ্টর এসোসিয়েসন এন্দ ন্যুজ ব্রোদকাষ্টিং ষ্টেন্দর্দ ওথোরিটি; ফূদ সেফটি এন্দ ষ্টেন্দর্দস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া অমদি সেন্ট্রেল দ্রগস ষ্টেন্দর্দ কন্ট্রোল ওর্গনাইজেসন্নচিংবা ওথোরিটি কয়া হান্নদগী হৌনা লৈরবনি। অদুম ওইনমক মীয়াম্বু লান্না লমজিংবা মওংদা এদভর্টিজমেন্ট তৌবা মপূং ফানা থিংবা ঙমদবগুম তৌরি। মরম অদুনা অনৌবা লেজিসলেসন অমা পাস তৌদুনা চৎনহল্লকপা তারবসু পান্দম ফংবা ঙমগদৌরিবরা হায়বদু অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১৩

১। ঐখোয়গী শেংলবা কংলা মনুংসি ইতিহাসকী মচাক ওইবা ফূড়াশিং, ঈরম খোংলম কয়া অমা লৈরিবনি। ইবুধৌ পাখংবা হাক্তক্তগী মহারাজ কুল্লচন্দ্রগী মতমফাও কোনুং ওইরক্লবনি।

(ক) মসিদা লৈরিবা নূংজেং পুখ্রি অচৌবা শেংলবা মফমনি। মসিবু করি হায়নসু খঙনবগে?

(খ) নোংচুপ সনথোঙ অসি কংলাগী মরুওইবা থোঙ অমনি। করম্বা সনাহাক্তক্তা শারম্বনো?

২। "ননাই ঐগী কংলবা থম্মোয়দা ধন্মগী ময়োন হুনবগুম তৌরে। রাম সীতাগী গুন তাবদা য়ামদ্রবদা মিত্তা পি শিন্থবা মখৈদদি হৈরে।" পরেং অনীসি কবি চাউবগী 'লবঙ্গলতা' দগী লৌথোকপনি। ননাই হায়রিবসি কনানো?

৩। "নুপানা রাম ওইরগা লোয়নবীসু সীতা ওইবনি। নত্তদুনা নুপীখক্তং সীতা ওইয়ু হায়বদি খক ওইথোক্লরোই।" ৱাফমসিনা 'থোইনু' কৌবা ফম্বাক লীলা অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৪। "লূপথৌ লুরবা ঈরোন্নুংদা / থম্মোয় থম্বাল লৈরিক্লুংদা / ফঙ্গনি মঙাল অচুম্বগী।" পরেং অহুম অসিনা এস ভানুমতিগী শৈরেং অমদগীনি। শৈরেং লাইরিক অদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "উখ্রুলদা ঐগী থৱায় লৈহৌরে / ইম্ফালদা লৈঙমদ্রে।" পরেং অনীসিনা মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবা অদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# কনানা লায়রৈ হায়রিনো?

**চাইথোরকপা ৱাখল**

**নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

মণিপুরবু লায়রৈ হায়বসি, পংহায় হায়জিনবনি। মণিপুর অদুক কা হেন্না লায়রবা নত্তে। হোয় মী খরবুদি নাপন্না য়োন্নগা, অচাওরমগী লেংবান্দা তোংলগা মথোই কানা লৈরিবা মীয়াম অসিগা থাক মান্ননা হিংবা ঙমজদে হায়বদুদি ঐসু য়াই। অদুগা মণিপুর লায়রবা লৈবাকনি গাইনা পংহায়দা হায়জিনবসিমদি ঐমক্তি শুংয়া য়াজনীংদে। মণিপুরদা চরা হেন্দুনা শিরে হায়বমক্কী পাউসু হৌজিকমক্তি তাবা লৈত্রি। য়াম্না লায়রৈ, নংই হায়দুনা মী অমত্তা মপান থোক্লা চাকনী-ফিনিবা উবা ফংদে। মমাঙঙৈ মতম অমদদি, বিখারি হায়দুনা অৱা-অনং তারবা মীওই খরা খাউ মচা অমা পায়দুনা য়ূমথোং-য়ূমথোং খুদিংদা চঙদুনা চেঙ, ফি-রোল নিরবা য়াওরৈ। মদুসু হৌজিক্তদি উখিদ্রে। নিদ্রসু হিংবা ঙম্বগী থাক্তা লৈরে।

মণিপুরগী মফম খুদিংদা অমুক্তা শিন থুংনা চৎলগা য়েংবীয়ু, য়াম্না লায়রৈ হায়বগী খুদম চাংদম উবা ফংবিরোই। মী পূন্নমক লৈগেরা-লৈরোইরা লোয়নমক নুংঙাইবগী মায়থোঙ উবা ফংগনি। ফজবা য়ূম, ফজবা অতাঙবা কার মশীং নাইদনা তোংগনি। অনৌবা পোৎ অমতং থোরকপদা মণিপুরদা হান্না হেক্তা ফংগনি। অপিকপা ষ্টেটনি হায়বগী ৱানি, তাঙগেরা-হোংগেরা মণিপুরদা ফংদবা অমত্তা লৈরোই। সনা খ্বাইদগী য়াম্না চিনবা লমনি। ময়ূম ময়ূমদা সনা, লুপা কয়া য়াম্না লৈবগে হায়বসি, লুহোং-খোংদোংবনচিংবা থৌদোক অমতং থোরকপদা নুপীশিংনা শিরকপা সনা-লুপা উবদা ইরায় লায়না খঙই, কয়া অমনা সনা লৈগে হায়দো।

মণিপুরদা মী মশীং নোংম-নোংমগী হেনগৎলক্লি। মসিসু থিংবা ঙম্লোই। লমদি চাউথোরকপা লৈরোই অদুগা মীগী মশীংদি অসুম-অসুম হেনগৎলক্কনি। মীশিং হেনগৎলিমখে লম অসুম পিকশিল্লক্কনি। মণিপুরদা লৈরম্বা লমজাও, লমহাং হৌজিক কদায়দা লৈরি। লমজাওগী ৱাসু তোক্লসি। হৌজিক মণিপুরগী লৈকায় অমত্তদা লৈকায়গী অঙাংশিংনা শান্নজনবা শান্নবুং ওইবা য়াবা লম্পাক মচা অমফাওবা লৈনরক্ত্রে। শান্নবুং লৈতনা হৌরক্লিবা অঙাংশিং মশা-মউ ফনা, শান্ন-খোৎনবগী লম্দা মাঙজিল থানা চংশিল্লকপা কৈসু ওইথোকপা য়াবা নত্তে। লৈকায়দা লৈরম্বা লম্পাকশিং হৌজিক্তি মীয়ামগী মীহুৎশিংনা লৈকায়গী মীশিংগা ৱাতানরগা কম্যুনিতি হোল ওন্থোক্তুনা সোরাৎকুম্বা, লুহোংবগুম্বা অমদি চাকচা হৈজানবা, মখল কয়াগী থৌদোক থোকফম, চাফম-থকফম ওন্থোকপীখ্রে। ঙাইহাক লম্পাক্তা থোরক্তুনা চেন-চোংদুনা শান্নজগদবা অঙাংশিং ফন লাওনা চোংফম ফাওবা লৈত্রে। মশাগী ময়ূমসু হৌজিক্তি ইম্ফাল এরিয়াদদি শুমাং হায়বদু লৈনরক্ত্রবনি। শ্বর হোনফম ফাওবা লৈতবমখে লৈনবা য়ূম শাজিন্নরে। শাজিনদবসু য়াদবনি। মরমদি লৈফম লৈরোইদৌরিবনি। অঙাংশিংনা শুমাংদা, মাঙ্গোলদা ঙাইহাক চেন চোংজগদবা মদুদগী লৈকায়গী লম্পাক্তা থোক্তুনা বোল কাওদুনা শান্নগদবা খূবাকমুক পাকপা মফম অমফাওবা লৈত্রে। হৌজিকপুদি কয়াবু তাখিদ্রবনি, মতম খরগী মমাঙদদি, পাউচেদা নুংতিগী অদুগী এম এল এনা, অদুগী এম পিনা, অদুগী মিনিষ্টরনা কম্যুনিতি হোল শঙ্গাবগী পাউনা মণিপুরগী চাওখৎপা দিভলপমেন্টকী পাউ ওইরম্মী। মতমদুদা ঐদি খোইদৌ য়াম্না শাওগৎখি। মরমদি লৈকায়গী লম্পাক মাঙশিল্লকপগী। অঙাংশিং শান্নফম লৈরক্তবগী। মতমদুদা অচৌ-অশাংগা নক্লা তিন্নবা ময়াম অমদি হরাওদুনা কোয়চেন চেন্দুনা ঐখোয়গী মীহুৎশিং অসি মীয়ামগী থবক য়াম্না তৌবা, লৈকায়গী চাওখৎ খোঙথাংদা খুমাঙ চাওশিন্না থবক তৌবা মীনি হায়দুনা মাইক্রোফোন্দা চংশিন চংশিন্দুনা য়াম্না ঙাঙনবা তাখি। ময়া পুমতেক তেক্লবা হনুবশিং য়াওনা ৱাখল মচেৎ অমফাওবা খন্থবা তৌদনা য়াম্না থাগৎনখি। হৌজিক্লা অঙাংশিং অমত্তা শান্নফম লৈত্রে। লৈকায়দা লম্পাক মচা অমখক থম্বসিবু করিগী অদুক য়াম্না মীশৌ চঙনরিবনো?

হৌজিক্কী অঙাংদি, ময়ূমদা মমা-মপানা মোবাইল ফোন অমমম পীশিল্লগা ফোনদা মখল কয়াগী মশান্না অমদি মখল কয়াগী কুম্মৈ য়েংদুনা মতম লেল্লে। অদুনদি অঙাংসি ব্রেন ফবদি লায়রদনা, কুম্মৈগী টাইপতা ময়াম নুংঙাইনবা শেন্বা ওইথোক্লরোইদবা মশান্না অমদি কুম্মৈ মথেল, অঙাংশিংনা কার্টুন য়েংমনবদগী সাইকোলোজিগী ওইবা অনাবা মখল কয়া অমা নাহল্লে। মমিৎ-মমিৎসু ঙন্না শোক্লদুনা অনোক উপ্তবা অঙাং থিবা ৱানরনি। মোবাইল ফোন নৎত্রসু, খরা শেন্থোক লৈবা মমা-মপাদি মচানা ময়ূমদা শান্ননবা কম্প্যুটর লৈদুনা থম্বীরে। অঙাংশিংনা নুমিদাং ঙাইহাক মপান থোকচদুনা মমান্নবশিংগা তোৎন-তিন্নদুনা নুংশি চান্ননা শান্নমিন্নবা মদুগী কান্নবা হৌজিক ফংবা ঙমদ্রে। লৈকায়দুদা, য়ূমলোন্নবদা মাগী চহী লেঙ্গাগী অঙাংশিংগা মশক ফাওবা খঙনদ্রে। লৈকায়গী মী অমত্তা তিন্নদ্রবা অঙাং অদুনা হয়েং চাউরক্লগা লৈকায়গী, মীয়ামগী অমদি লৈবাক্কী করি থবক তৌনীংবগী সোসলগী ওইবা ৱাখল পোকপা ঙমগদৌরিবনো? অদুননি, ফম অচৌ-অচৌবা পায়বা কাঙবুশিংনা চেকপল ৱাংনা-ৱাংনা খাগৎলগা য়োৎকী গেট অচৌ-অচৌবা পাল্লগা থোঙ লোন-লোন্দুনা কনামত্তা চঙনদনা লৈনরিবসে। অমত্তা ওইরম্বা ৱাখল্লোন, মীনুংশিগী থম্মোয় চেল্লম্বদুনা হৌজিক্তি মীনুংশিগী ঈচেল খকখ্রে। য়ুনিটি হায়বা অদুগী ৱাখল্লোন অমত্তা লৈনদ্রে। লৈকায়দি লায়রদনা ময়ূমগী মমা-মপা, মচিন-মনাওফাওবা তিন্নদ্রে। মখোয় মখোয়গী তাইবঙপান হায়বসি, মাগী নুপীগা মচাগদগী হেন্দ্রে। সিনি হৌজিক্কী মীরোল অসিনা অসুম অসুম শেমগৎলক্লিবা তুংলমচৎকী খুন্নাই।

মণিপুরগী লম্বীগী ফীভম হৌজিক করি ওইরি। চহী খজিক লৈশিল্লবা মীশিংদি মণিপুরগী লম্বীদা চৎপদা অকিবা ফাওনরে। মরমদি লম্বী চিনবা অদুগা মখল কয়াগী ইঞ্জিন পানবা গাড়ীশিং অসিনা য়াম্না য়াঙনা য়াঙনা থৌজিন্দুনা মখোয় মখোয়গী অথু-অকায় নংনবা হোৎনবদা লম্বীদা চৎচবা অহল-লমনশিং কয়াগী মথ্বায় লৌরি। হৌজিক নুপামচা অমত্তা অয়াঙবা গাড়ী থৌবা হৈতবা লৈতে। চুম্নগী থৌবা নত্তে। নুংশিৎকী মমাঙ থানা অদুঙৈ নুংশিৎকী মচানি হায়রিবা হনুমান্না পাইরগা চৎপদৌনা মশাদু পাকথরপ তৌরগা পাই-পাইদুনা থৌনরিবনি। মদুদা লম্বীগী মতাইদা হৌজবা উ পাম্বীদা থোমজিনজবা, লম্বীগী মতাইদা চৎচবা কয়াদা তকখায়বা, মায়োক্লনা থৌরকপা গাড়ীদা য়ুংশিনবা, থৌদোক কয়াদা থৱায় থানদুনা ঙন্তানা বৃন্দাবন প্রাপতি ওইবা য়াওনরিবনি। থৱায়গী মনি ওইনা লৈরম্বা মচানা নৌনা পুন্সি পিখম্নখিবদা গাড়ী মচা লৈরগা মচাবু থৌহনখিবা মমা-মপা কয়াদি ৱাখল চোইবসু য়াওনরি।

লায়রৈ হায়রিবা মণিপুরদা থৌনরিবা মখল কয়াগী অতাঙবা গাড়ী ময়াম অসি উরগা সেন্টরগী লুচিংবশিংনা মণিপুরদা লাকপদা উরবদি শোয়দনা ঙক্কনি। করিদনো মণিপুরনা লায়রবা ষ্টেটনি হায়রিবসে হায়না খল্লোইদবগী মরম লৈতে। শেৎতোক-চাথোরকপদা, ৱাঙাঙ শঙাঙদা য়াম্না ইনাক খুনবা মাল্লি। লায়রবগী মতৌ অমত্তা উবা ফংদে। হোয়, শূনীংদবা, ৱানীংদবদি ফনা য়াম্না লৈরমগনি। মরমদি মী অমত্তা ময়ূমদা মরোই মকা অমা থানবগী লৈবাক তৌবা উবা ফংদে। মসিনা শূনীংদবা মথিঙ্গাং চাউথোক্লবা ময়াম অসিনা মতম চাদনা কংখৎলক্লিবা মবুক নোই-নোইদুনা মখল কয়াগী লায়নাগা লোয়ননা হোস্পিটালগী গেটতা ফনা য়াম্না লৈনবা উরে। অদুসু ইনাকখুনবনা লৈগদবা হোস্পিটাল প্রাইভেটতা। নারবা শিরমদাই য়ৌরফাওবা অচৌ অশাং শাদুনা শেল তপ-তাখৈ চৎহল্লি। অদুগা লৈহৌবা মচা -মশুশিংনা পুরুবা লায়েং শেলদু শিংনবা হোৎনরি। নুংঙাইখ্রবা লৈবাকনি, কনানা লায়রৈ হায়রিনো? ●

# নোংগী নোংলিকশিংদগী ইলেক্ট্রিসিটি লৌবা


**সাইন্সকী খোঙচৎ**

**কুঞ্জো নাওরেম**


(ওইরোমদগী) জেং হ্যানক্সি, জু ৱাংহ্যুই, ৱাং জ্যুনকাই, জাং চাও অমসুং সোং য়ুক্সিন

সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজিনা চাওখৎলকপগী মতুংইন্না, থবক খুদিংমক ইলেক্ট্রিসিটিগী মখা পোল্লক্লি। ইলেক্ট্রিসিটি পুথোক্লবগী পান্থৈ কয়ামুক লৈ। অচেনবা ঈশিং, থর্মেল পৱার প্লান্ট, ন্যুক্লিয়র রিএক্টর, শিৎলিবা নুংশিৎ, সমুদ্রদা কারকপা ঈশিংগী ঈথক-ঈপোম, মখল-মখা কয়াগী সেল/বেট্টরিনচিংবা পনবা য়াই। মরুওইনা হৌজিক শীজিন্নরিবা ইলেক্ট্রিসিটিগী এনর্জিসি অচেনবা ঈশিংনা চলাইবা হায়দ্রোইলেক্ট্রিক পৱার প্লান্ট, থর্মেল পৱার প্লান্টশিংদা ফোসিল ফ্যুল অমা ওইরিবা কয়লা মৈ থারগা লৌবা, যুরেনিয়মগুম্বা রেদিওএক্টিভ ওইবা ইলিমেন্টশিংনা ন্যুক্লিয়র রিএক্সন থোকহন্দুনা ইলেক্ট্রিসিটি লৌবা অসিনচিংবনি। ঈশিংদগী ইলেক্ট্রিসিটি লৌনবগীদমক তুরেলশিংদা দাম শাই; মসিনা লৌউ-শিংউ তৌবা য়াবা মফম অমসুং শা-উচেক, পাম্বী কয়াগী হেবিটেট মাঙহল্লি, হায়বদি অকোয়বগী ফীভমদা অকায়বা পী। ফোসিল ফ্যুল মৈ থাবদগী থাদোরকপা কার্বোন দাইওক্সাইদনা মালেমগী শাবগী চাং হেনগৎহল্লি। অসুম্না ন্যুক্লিয়র রিএক্টরগীসু খুদোংচাদবা কয়ামুক লৈরি।


অদুনা অনৌবা পান্থৈশিং পুথোকপগী মথৌ তারকই। 'নেচর' চেফোঙদা ফোঙদোকখিবা পাউদম অমগী মতুংইন্না, সিটি য়ুনিভর্সিটি ওফ হোং কোং, য়ুনিভর্সিটি ওফ নেব্রাস্কা-লিঙ্কন অমসুং চাইনিজ একাদেমিক ওফ সাইন্সেসকী বৈজিং ইন্সটিট্যুট ওফ নানোএনর্জি এন্দ নানোসিষ্টেমসকী থিজিল্লোয়শিংনা নোংগী নোংলিকশিংদগী ইলেক্ট্রিসিটি পুথোকপা ঙম্লে হায়রি। হৌজিক লৈরিবা টেক্নোলোজিশিং অসিনা মতিক চাদবনা সমুদ্রগী ঈথক-ঈপোম অমসুং নোংলিকশিংদগী ইলেক্ট্রিসিটি লৌবগী থবক অসি মপূং ফাদনা লাক্লি। মরমদি মখোয়দা য়াওরিবা কাইনেটিক এনর্জিসিগী ফ্রিক্বেন্সি নেম্মী। খূদম ওইনা, ত্রাইবোইলেক্ট্রিক ইফেক্ট (শমজেৎনা শমদা তক্লগা চার্জ পুরকপগুম্বা থৌওং) তা য়ূম্ফম ওইবা ইলেক্ট্রিসিটি পুথোকপগী থৌওং অমদা ঈশিংগী মরীকশিংনা অতোপ্পা লৈমায় অমদা য়ৈবদা লৈমায়দুনা ইলেক্ট্রিক চার্জ পুরকই। অদুবু পুরক্লিবা চার্জ অদু য়ামদে। চার্জ য়াম্না পুথোকপা ঙম্নবগীদমক তোপ-তোপ্পা টেক্নোলোজিগী মথৌ তারকই।



এফ ই টিগী শক্তম তাকপা লাইয়েক

অসুম্না পুথোরক্লিবা চার্জ অসি য়ামহন্নবগীদমক, থিজিল্লোয়শিং অদুনা চহী অনী চূপ্না 'দ্রোপ্লেট-বেজ ইলেক্ট্রিসিটি জেনেরেটর (দি ঈ জি)' গা লোয়ননা 'ফিল্ড-ইফেক্ট ত্রান্সিষ্টর (এফ ঈ টি) অমা শেমগৎখি। মসিগী খুদক্কী ওইবা পৱারদু ৫০.১ ৱাট্ট পর মিটর স্কৱারনি। মসি এফ ঈ টি য়াওদনা ঈশিংগী মরীকশিংদগী ইলেক্ট্রিসিটি লৌনবগী অতোপ্পা পান্থৈশিংদগী শরুক লিশীং হেন্না পৱার ফংলবনি। সিটি য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসর ৱাং জুঅনকাইনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, মখোয়না অনৌবা পান্থৈ অসি পুথোক্লবা হোৎনবদা মরুওইবা থবক অনীখক পাঙথোকখি। অহানবদা মখোয়না ক্বাসি-পরমেনেন্ট ইলেক্ট্রিক চার্জগা লোয়নবা পোলিতেত্রাফ্লোরোইথাইলিন (পি টি এফ ঈ) গী লৈমায়দা ঈশিং মরীকশিংনা হঞ্জিন-হঞ্জিন য়ৈবদা লৈমায়গী চার্জগী দেন্সিটিদু ৱাংবা থেংনরম্মী। মখোয়না মসিমসু থেংনরম্মী মদুদি ঈশিংগী মরীকশিংনা পি টি এফ ঈগী লৈমায়দা হঞ্জিন-হঞ্জিন য়ৈবদা লৈমায়গী চাজ'শিংদু তুংশিল্লকই অদুগা সেচুরেসনগী তাঙ্কক অমা লাকপা ঙমখি। মসিদগী মখোয়না হান্না থেংনখিবা চার্জগী দেন্সিটি নেম্বগী খুদোংচাদবদু কোকহনবা ঙম্লম্মী।

ফিল্ড-ইফেক্ট ত্রান্সিষ্টর হায়বসি ইলেক্ট্রিক ফিল্ড অমা শীজিন্নদুনা ইলেক্ট্রিক করেন্টনা চেনববু লাকশিনবা ত্রান্সিষ্টর অমনি। মসিদা টর্মিনেল অহুম হায়বদি সোর্স, গেট অমসুং দ্রেইন য়াওই। গেটতা ভোলটেজ অমা পীশিনবা মতমদা চেল্লিবা করেন্টদু লাকশিল্লি, হায়বদি দ্রেইন অমসুং সোর্সকী মরক্কী কন্দক্টিভিটিসু হোংহল্লি। হৌজিক্কী মতমদা শীজিন্নরিবা ইলেক্ট্রোনিক্কী পোৎশিংসি এফ ঈ টিদা য়ূম্ফম ওই। থিজিল্লোয়শিংনা পুথোক্লিবা অনৌবা খূৎলায় অসি এফ ঈ টিগা হায়ফেৎ মান্নে। মখোয়গী খূৎলায় অসিদা এলুমিনিয়মগী ইলেক্ট্রোদ অমসুং ইন্দিয়ম টিন ওক্সাইদ (আই টি ও) কী ইলেক্ট্রোদ য়াওই। আই টি ওদা পি টি এফ ঈগী অপাবা মরোল অমা তৈশিল্লি। পি টি এফ ঈ/আই টি ওগী ইলেক্ট্রোদ অসিনা চার্জ থোকহল্লি, তুংশিন্দুনা থম্মী অমসুং ইন্দক্সন থোকহল্লি। পি টি এফ ঈ/আই টি ওগী লৈমায়দা মথক্তগী তারকপা ঈশিংনা য়ৈবা মতমদা, চাইথোরকপা ঈশিংদুনা এলুমিনিয়ম ইলেক্ট্রোদ অমসুং পি টি এফ ঈ/আই টি ও ইলেক্ট্রোদকী মরক্তা থোং অমগুম্না মথৌ তৌই হায়বদি ইলেক্ট্রোদ অনীদুগী মরক্তা ইলেক্ট্রিক করেন্ট চেলহল্লি।



গ্লাস সবষ্ট্রেটতা হাপ্পিবা খন্ত্রাংনবা দি ই জি মরি

অসুম্না অখন্নবা শেম-শারবা দিজাইন অসিনা পি টি এফ ঈগী লৈমায়দা ঈশিংনা হঞ্জিন-হঞ্জিন য়ৈবা মতমদা দেন্সিটি ৱাংবা চার্জশিং তুংশিল্লকই। তারক্লিবা ঈশিংদুনা চাইথোরকপা মতমদনা, ঈশিংদুনা ইলেক্ট্রোদ অনীদু শমজিন্নহল্লগা তুংশিন্দুনা লৈরম্বা চার্জ পূন্নমক্তু চেল্লকই। প্রোফেসর ৱাংনা ফোঙদোকপগী মতুংইন্না, মাইক্রোলিটর ১০০গী ঈশিং মরীক অমা সেন্টিমিটর ১৫ ৱাংবা মফমদগী তাহল্লকপা মতমদা ভোল্ট ১৪০গী করেন্ট থোকহনবা ঙম্মী হায়রি। মসিনা অপিকপা এল ঈ দি বল্ব ১০০ ফাওবা ঙালহনবা ঙম্মী হায়না মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোক্লি। থিজিনবা অসিগী মখা চত্থরকপা ওইনা থিজিল্লোইশিংনা রিলেটিভ হ্যুমিদিটি খেন্নহল্লগা চাংয়েং কয়া পাঙথোকখি; অদুবু ফংলিবা পৱারদা অহোংবা থেংনরমদে। অদুনা নোংগী ঈশিং অমসুং সমুদ্রগী ঈশিংদগী ইলেক্ট্রিসিটি লৌবগী থবকসি মায় পাক্লা পায়খৎপা য়াগনি হায়না থাজবা থল্লি। মসিনা মায় পাক্লক্লবদি নোং তারকপা মতমদা ইলেক্ট্রিসিটি পুথোক্তুনা শেল-থুম অমসুং অকোয়বগী ফীভমদা য়াম্না কান্নবা পীরগনি। ●